# মণিপুরগী মিংচৎ পুরকখ্রবা এম এম এ ফাইটরশিং মীয়াম্না তরাম্না ওকখ্রে



**ইম্ফাল, দিসেম্বর ২০ (ঐচ এন এস):** নেশনল মার্সিএল আর্টস কন্মিটি ওফ ইন্দিয়ানা শীল্লগা থা অসিগী ১৩দগী হৌরগা ১৬ ফাওবা উত্তরখন্দগী দেহরাদুনদা লৈবা পেরদ গ্রাউন্দ বেদমিন্টন ইন্দোর ষ্টেদিয়মদা ইন্দিয়ন কেস্বেট লীগ (আই সী এল) সিজন ৮ পাঙথোকখিবা অদুদা শরুক য়াদুনা মণিপুরগী মিংচৎ পুরকখ্রবা এম এম এ ফাইটর ১২গা লোয়ননা টিম অদুবু লুচিংদুনা চৎখিবা কোচ য়াওনা ঙসি ইম্ফাল ইন্টরনেশনল এয়রপোর্টতা থুংলবদা মীয়াম্না হরাউ তয়াম্না ওকখ্রে।

শান্নরোয়শিং অমদি কোচপু তরাম্না ওক্তুনা পূক্নিং থৌগৎপগী থৌরম অদুদা মণিপুর টিমগী কোচ ওইখিবা নান্দেবম ফ্রেঙ্কনা হায়, চথখিবা আই সী এল সিজন ৮ অদুদা মণিপুরগী মহুৎ শীন্দুনা কংলৈপাক মিক্স মার্সিএল আর্টস ক্লব (কে এম এম এ সী)দগী শরুক য়াখিবা অপূনবা ফাইটর ১২না গোল্ড মেদল ১০গা লোয়ননা টাইটল বেল্ট ২ ফংবা ঙমদুনা মেগা ইভেন্ট অদুদা মণিপুরনা চাওনা মায় পাকপা ঙম্লকখিবনি।

তোঙান-তোঙানবা ৱেথ কাঙলূপকী ওইনা কেজি ২০দগী হৌরগা এমেচরগী থাক ফাওবনা হায়রিবা আই সী এল সিজন ৮দা শরুক য়াখি। ইন্দিয়াদা হৌজিক এম এম এগী ফাইটরশিংনা হেন্না মমিং চৎপা ঙম্লক্লিবা অসিসু মণিপুরদগী হৌরক্লিবা অমদি থোকখিবা ফাইটরশিংগী অচৌবা ক্রেদিট য়াওরি। অদুম্মকপু ষ্টেট অসিদা ইনফ্রাষ্ট্রকচরগী অৱাৎপা লৈবদগী মপান লমদা চৎতুনা শেল য়াম্না চঙনা ট্রেন তৌবগী মথৌ তারি। লমদম অসিদগী হৌগৎলক্লিবা শান্নরোয়শিংনা থম্মোয়দা অচেৎপা থাজবা থম্লগা অহেনবা চাদিং তৌদনা হেন্না-হেন্না অৱাংবা থাক্তা শোয়দনা মাংলোমদা চঙশিনবা ঙম্লকখিগনি হায়খি।

মহাক্না হায়, হৌখিবা থেংখাঙ কয়াদা মণিপুরগী শান্নরোয়শিংনা মপান লমদা পাঙথোকপা মখল-মখা কয়াগী চেম্পিয়নশিপশিংদা শরুক য়াবা মতমদা মৈতৈ মচানি হায়রবদি মীনুংশি উৎপগী চাং নেম্মী। মৈতৈ মচা ঐখোয়না তৌবা ঙম্বশিং মখোয়না নমথনবা অদুম্মক হোৎনদুনা লাক্লি। বৃটিশনা ইন্দিয়াদা দিভাইদ এন্দ রুল পোলিসি চত্থরম্বা অদুম্মক হৌজিক-হৌজিকমকসু ঐখোয়গী শান্নরোয়শিংদসু চত্থরি। অসিগুম্বা ফজদবা কয়া অসি মুত্থৎনবা হোৎনবগা লোয়ননা লমদম অসিদগী মালেমগী থাক্তা অফবা মমিং লৈরবা শান্নরোয় কয়া পুথোক্নবগী পান্দম থম্লি হায়না কোচ ফ্রেঙ্কনা মখা তানা ফোঙদোকখি।

অমরোমদা, আই সী এল সিজন ৮তা টাইটল বেল্টকী মিংচৎ পুরকখ্রবা কিয়াম ইনাওস্নানা ফোঙদোকখিবদা, হন্দক্কী চেম্পিয়নশিপ অসিদা মহাক মায় পাক্লবসু মায় পাকপনি হায়না লৌদে। মথং তারকপা চেম্পিয়নশিপ কয়াদসু অঙম্বা থাক্তা হোৎনদুনা মণিপুর ইমাগী মিংচৎ পুরকপা ঙম্নবা হোৎনবগা লোয়ননা য়ু এফ সীগী থাক য়ৌবা ঙম্নবা হোৎনখিগনি। হৌজিক মহাক্কী থাক অসি য়ৌনবা হোৎনরকপদা মহাক্কী অপোকপা, কোচ, লৈকাই মীয়াম অমদি অরাম্বাই তেঙ্গোলগী মরুপ-মপাংশিংনা অচৌবা মতেং পাংলকখি। মদুগীদমক মহাক্কী মায়কৈদগী হায়নিংঙাই লৈতনা থাগৎপা ফোঙদোকই হায়খি।

আই সী এল সিজন ৮দা মণিপুরগী মিংচৎ পুরকখ্রবা শান্নরোয়শিং অদুদি টাইটল বেল্টতা কিয়াম ইনাওস্না অমসুং জেবথর বারিয়ামতাকনি। অদুগা গোল্ড মেদল লৌরকখ্রবশিং অদুনা কে ঐচ জেমসবোন্দ, এ তুলাজিৎ, এল লখন, কে রিশি, ঐচ আইলেন্দ, সী ঐচ গান্ধী, দব্লিয়ু মঙাল, এ মঙাললৈবা, এল দেলবর্ট অমদি এস জষ্টিননি।

# নেশনল চেম্পিয়নশিপতা শরুক য়ারুগদবশিং খোঙশানখ্রে

**ইম্ফাল, দিসেম্বর ২০ (ঐচ এন এস):** থা অসিগী ২৬তগী হৌরগা ২৯ ফাওবা কেরলানা য়ূম্বু ওইরগা পাঙথোক্কদৌরিবা ৫৩রক শুবা সিনিয়র মেন নেশনল হেন্দবোল চেম্পিয়নশিপ ২০২৪দা শরুক য়ারুগদবা মণিপুরগী টিম ঙসি ইম্ফাল থাদোকখ্রে।

হেন্দবোল এসোসিএশন ওফ ইন্দিয়াগী মীৎয়েং মখাদা কেরলা হেন্দবোল এসোসিএশননা শীন্দুনা চত্থগদৌরিবা চেম্পিয়নশিপ অদুদা ষ্টেট অসিগী ওইনা নুপা শান্নরোয় ১৮গা লোয়ননা রিজর্ভ শান্নরোয় ৩ য়াওরগা পূন্না শান্নরোয় ২১না শরুক য়াগনি।



ঙসি ইম্ফাল থাদোকখ্রবা মণিপুরগী হেন্দবোল টিম অদুদা ওফিসল ওইনা য়াওরিবশিংনা টিম কোচতা টি ঐচ রোবিন্দ্রো অদুগা মেনেজর ওইনা কে এস ঐচ রোমেশনি। মণিপুরগী টিমনা ইম্ফাল থাদোক্লমদাইদা মণিপুর হেন্দবোল এসোসিএশনগী প্রসিদেন্ট ওইনাম প্রেমকুমার, জেনরেল সেক্রেটরি অরাম্বম বিরেন্দ্র অমদি এসোসিএশন অসিগী এগজিক্যুটিভ মেম্বরশিংনা য়াইফ থৌজাল পীনখিবগা লোয়ননা কেরলাগী খোঙচৎ অদু লমথাখি।

সিনিয়র টিম লমথাবগী থৌরম অদুদা এম এস এগী প্রসিদেন্ট প্রেমকুমারনা ফোঙদোকখিবদা, চেম্পিয়নশিপ অসিদা মণিপুরনা তারকপা রেঙ্কিং অদুগী মতুংইন্না ৩৮লক শুবা নেশনল গেমস উত্তরখন্দগী হেন্দবোল দিসিপ্লিনদা ক্বালিফাই ওইবা ঙমগদৌরিবনি। মরম অদুনা হন্দক্কী খোঙচৎ অসি মণিপুরগী ওইনদি য়াম্না মরু ওই অমদি শোয়দনা মায় পাকপা ঙমগনি হায়বগী থাজবা লৈ হায়খি।

# এম এল ভি এফ এ অমসুং এফ এল এ এম দ্রো চৎখ্রে

**ইম্ফাল, দিসেম্বর ২০ (ঐচ এন এস):** সন্দে এফ সীনা শীন্দুনা টর্ফ গ্রাউন্দ লম্লোং থোংখোঙদা হৌজিক-হৌজিক চত্থরিবা ৪রক শুবা মাষ্টর ডা. মোইরাংথেম মনাওতোন সিংহ অমদি এম চন্দ্রশখি দেবী মেমোরিএল ফুটবোল চেম্পিয়নশিপ ২০২৪গী ওইনা ঙসি শান্নখিবা তোঙান-তোঙানবা মেটচশিংদা এম এল ভি এফ এ অমসুং এফ এল এ এম দ্রো চৎখ্রে। অতোপ্পা মেটচ অমদনা ঈ এম ভি এফ সীনা ভি এস এ আই মায়থীবা পীখ্রে।

ঙসি নুংথিল পুং ১.২০ তাবদগী হৌরগা এম এল ভি এফ এ অমসুং এফ এল এ এমগী মরক্তা মেটচ শান্নবা হৌখি। টিম অনীগী মরক্তা ঙসি শান্নখিবা মেটচ অদুগী ওইনা নাকল অনীমক্কী শান্নরোয়শিংনা হৈ-শিংবা মান্ননা শান্নবা ঙমখি। মদুনা মরম ওইরগা অপীবা অরোইবা মতম ফাওবদা টিম অনীমক্না পাঙ্গল অমত্তা চন্নবা ঙমদবদগী মেটচ অদু দ্রো চৎখিবনি।

অমরোমদা, নুংথিল পুং ২.৩০ তাবদগী হৌরগা ঈ এম ভি এফ সী অমসুং ভি এস এ আইগী মরক্তা শান্নখিবা মেটচ অদুগী ওইনা ঈ এম ভি এফ সীনা খরা হেন্না লাকচনা শান্নবা ঙমখি। মদুন মরম ওইরগা মেটচ অদু ঈ এম ভি এফ সীনা পাঙ্গল ৩-১দা মায় পাকপা ঙমখিবনি। ঈ এম ভি এফ সীগী মায় পাকপগী পাঙ্গলশিং অদু ৩০, ৩৯, ৫২শুবা মিনটতা মথংশিংনা এস জিতেন, ঈ রোমি অমসুং কে ব্রোজেননা অমমম্ চনখিবনি। অদুগা ভি এস এ আইগী অমত্তা ঙাইরবা পাঙ্গল অদুনা মেটচ অদুগী ৫৪শুবা মিনটতা কে ঐচ বোনোমালিনা চনখিবনি।

# বি কে সী সী বামোন কম্পুনা রন ১২৩দা মায় পাকখ্রে




**ইম্ফাল, দিসেম্বর ২০ (ঐচএনএস):** মণিপুর ভেটরান ক্রিকেট এসোসিএশননা শীন্দুনা লংথবাল পব্লিক গ্রাউন্দদা চত্থরিবা ২১রক শুবা মণিপুর ভেটরান ক্রিকেট টুর্নামেন্ট ২০২৪-২৫গী ওইনা ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা বি কে সী সী বামোন কম্পুনা বি এস সী ব্রহ্মপুর সঙ্গাই চুথেক মায়থীবা পীখ্রে।

ঙসি টিম অনীগী মরক্তা শান্নখিবা মেটচ অদুগী টোস বি কে সী সীনা ঙমদুনা হান্না বেটিং তৌনবা খনখি। অহানবা ইন্নিংসতা বি কে সী সীনা বেটিং তৌদুনা শান্নখিবা অদুগী ওইনা টিম অদুগী বেটসমেন অয়াম্বনা মায়োক্লরিবা টিমগী বোলরশিংনা চত্থরকখিবা এটেকশিং হৈন-শিংনা মায়োক য়াদুনা ক্রিজতা মতম শাংনা খাঙদুনা লৈবা ঙমখি। মদুনা মরম ওইরগা বি কে সী সীনা অপীবা ওভর ৩০ লোইবদা ৱিকেট ৫ তুরগা পূন্না রন ১৫৪ লৌবা ঙমখি। ইন্নিংস অসিগী ওইনা বেটসমেন ওক্রম সুরজনা বোল ৫৮ মায়োক্লবদা রন ২৯, জোন্সননা বোল ৩৫ মায়োক্লবদা রন ১৭, এম দি রিয়াজউদ্দিনা বোল ৩৫ মায়োক্লবদা রন ৪০, সুশিলনা বোল ২০দা রন ১৭ অদুগা বোচানা বোল ১৩দা রন ১২ লৌবা ঙমখি।

বি এস সীনা টার্গেট রন লৌবা ঙম্নবা বেটিং তৌদুনা শান্নখিবা ইন্নিংস অদুগী ওইনা টিম অদুগী বেটসমেন অয়াম্বনা মায়োক্লরিবা টিমগী বোলরশিংগী এটেক মপূং ফানা মায়োক য়াবা ঙমদবদগী দিজিট অনী শুনা রনশিং লৌবা ঙম্লখিদে। মদুনা মরম ওইরগা শুপ্নগী ওভর ১০.৫ দা টিম অদুগী ৱিকেট ১০ মক তুরগা রন ৩১ খক্তমক লৌবা ঙমখিবদগী মেটচ অদু বি কে সী সীনা লাকচনা রন ১২৩দা থোইখিবনি।

## HUEIYEN LANPAO DAILY CHESS PUZZLE



**PUZZLE NO. 1342**

CM Wiktoria Smietanska (2121) - Wiktor Golis (2302)
Titled Tue 24th Sep Early chess.com INT (9), 2024.09.24

1.c4 e6 2.Nc3 d5 3.d4 c6 4.Nf3 Nf6 5.cxd5 exd5 6.Bg5 Be7 7.e3 Bf5 8.Bd3 Ne4 9.Bxe7 Qxe7 10.Qc2 Nd7 11.O-O O-O 12.Nd2 Nxd2 13.Qxd2 Bxd3 14.Qxd3 Nf6 15.Rab1 Qd6 16.b4 Ng4 17.g3 Qh6 18.h4 Rae8 19.Rbe1 f5 20.Kg2 a6 21.a4 b5 22.axb5 axb5 23.Nb1 Qd6 24.Qc3 Nf6 25.Nd2 Ne4 26.Nxe4 fxe4 27.Rc1 Rf6 28.Qc5 Qe6 29.Ra1 Ref8 30.Ra7 Qg4 31.Qe7 R6f7 32.Qc5 Rf3 33.Qe7...

**QUESTION :** Black to win

**Puzzle 1341 Solution :**

**28. Nh6+ Kf8**
28...Kh7 29.Nf5+ Kg8 30.Qh4 g6 31.Qh7+The white queen attacks Black's king, which is defending the square h8. Kf8 32.Qh8+ Bxh8 33.Rxh8#Anastasia's mate
**29. Nf5 Kg8**
29...Bxg2+ 30.Kxg2 Kg8 31.Nxd4
29...exf5 30.Rh8#
**30. Qh5**
30.Nh6+ Kf8
30.Qh4 g6
30...Bxg2+ 31.Kxg2 exf5 32.Qh8#
30...g5 31.Qh7+ Kf8 32.Qh8+ Bxh8 33.Rxh8#
30...exf5 31.Qh8#
31.Qh7+The white queen attacks Black's king, which is defending the square h8. Kf8 32.Qh8+ Bxh8 33.Rxh8#Anastasia's mate
**30. ...g6 31. Qh7+** The white queen attacks Black's king, which is defending the square h8. **Kf8 32. Qh8+ Bxh8 33. Rxh8#** Anastasia's mate
**1-0**












Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Maibam Dhanabir Meetei; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com